
# তোপ-তোপ্পা মতিক ময়াই অমা চেনবা এক্টর খৃষ্টিয়ন বালে

- নানি -



মশাগী চহী ১৩ খক্তা ঙাইরিঙৈদা মমিং লৈরবা ফিল্ম মেকর ষ্টেভেন স্পাইলবর্গকী **ইম্পায়র ওফ দি সন** (১৯৮৭) হায়বা ফিল্ম অমদা থোরকখিবা খৃষ্টিয়ন চার্লর্স ফিলিপ বালে, ময়াম্মা তেনশিল্লগা খৃষ্টিয়ন বালে হায়না ফিল্ম সার্কল মনুংদা খঙনরিবা এক্টর অসি উরুবদা নোংমদি মহাক্ক। শোয়দনা অচৌবা মফম অমা কল্লগনি হায়নখিবা অদুমক অচুম্বা ওইখি। খৃষ্টিয়ন বালেগী তোপ তোপ্পা এক্টিং অমদি মহাক্কী রোল মোদেল অসি করম্না শেমখিবগে অমদি মহাক্কী হোৎনবগী থাক অসি কদায় য়ৌখিবগে হায়বা অসি মীয়ামদা খজিক খঙহঞ্জনিংবদগী ৱারেং মচা অসি ইজ রিবনি।

খৃষ্টিয়ন বালে জন্যুৱারী ৩০, ১৯৭৪ দা য়ুনাইটেদ কিংদমদা হেভরফোর্দৱেষ্ট, পেম্ব্রোকেশির, ৱালসতা পোকখি। ব্রিটিশ নেসনেলিটি অমা ওইরিবা মমিং লৈরবা এক্টর অসি হৌজিক্তি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈররে। এক্টর অসি মহাক্না এসাইন তৌবা রোল খূদিংমক্তা য়াম্না হকচিন্না লৌবা অমদি রোল অদুগীদমক তুম্বা চাবা খঙদনা মথৌ তাবা, মেন্টেল অমদি ফিজিকেল অনীমক্তা মথৌ শংবা এক্টর অমনি। মহাক্না পাম্লিবা অমদি মহাক্কী ৱাখলদা উরিবা কয়া অদু মপুং হেক ফানা পাঙথোকপা ঙমগনি হায়বা থাজবা লৈত্রিবমখৈদি মহাক রোল অমত্তদা সূটিং তৌখিদ্রি। মেথোদ এক্টিং ষ্টাইলদা মহাক্কী ফিজিকেল বোদি ফাওবা মহাক্কী রোল অদুদা দ্রাষ্টিকেল্লি ট্রান্সফোর্ম তৌদ্রিবফাওবা হোৎনবা এক্টর অমা ওইনা মহাক অসি মমিং চৎলি।

একাদেমী এৱার্দ অমা অমদি গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ অনী ফংবা ঙমখ্রবা এক্টর অসিগী মমিং লৈরবা ফিল্ম **লিটুল ৱিমেন (১৯৯৪), অমেরিকান সাইকো (২০০০), দি মেচিনিষ্ট (২০০৪), বেটমেন বিগিন্স (২০০৫), দি দার্ক নাইট (২০০৮), দি দার্ক নাইট রাইজেস (২০১২), দি প্রেষ্টিজ (২০০৬), টর্মিনেটর সেলভেসন (২০০৯), পব্লিক ইনেমিস (২০০৯), দি ফাইটর (২০১০)** ফিল্ম অসিদা মহাক গোল্ডন গ্লোভ এৱার্দ অমা অমদি একাদেমী এৱার্দ ফোর বেষ্ট সপোর্টিং এক্টর এৱার্দ অমা ফংবা ঙমখিবনি)। মসিগী মতুংদা রুসেলসকী ব্লেক কোমেদি ফিল্ম **অমেরিকান হষ্টল (২০১৩)** অমদি অদাম মেকিসকী সেটয়ার ফিল্ম **দি বিগ সোর্ট (২০১৫)** হায়রিবা ফিল্ম অসিদসু ওস্কার নোমিনেসন ফংখি। অদুবু মহাক নোমিনেসন অদু এৱার্দ ওইনা ওন্থোকপদি মহাক্কী মরাইবক্তা তমখিদে। মসিগী মতুংদা কুমজা ২০১৯দা জেমস মঙ্গোল্ডগী **ফোর্দ ভর্সেস ফেরেরি** হায়বা ফিল্ম অদুদদি মহাক গোল্ডন গ্লোভ এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্টরগী এৱার্দ লৌবা ঙমখি।

খৃষ্টিয়ন বালে অসি অসুক্কী মতিক মীয়াম্না শক্ল-শোন্নবা এক্টর অমা ওইরবসু মহাক মীচম অমগুম য়াম্না চম্না লৈবা পাম্বা মীশক অমা ওইরি। মীয়ামগী থবক থৌরমদা কোয়চেন চেন্দুনা অমত্তা চিংখদনা য়াওবা হায়বসি মহাক্কী খ্বাইদগী পামজবা অমসু ওইরি। মহাক্কী এক্টিংগী লম্বী অসিদগী খরা খজিক থৈদোক্লগা, মালেমগী ইনভাইরনমেন্ট অমদি গ্লোবেল ৱার্মিং অসি থেংননবা হোৎনবদা মাঙজিল থাবা মীশক অমা ওইনা সি সেফ্রেদ কঞ্জার্ভেসন সোসাইটি হায়বা অদুগী মরুওইবা মীশক অমা ওইনসু থবক ময়াম অমা তৌরি। মসিদা নত্তনা ৱর্ল্ড ৱাইল্ডলাইফ ফন্দদা লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু ঙাকপী শেনবীবগী পান্দমদা মহাক্না ঙমজবা শেনফম কয়া হাপ্তুনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীশক অমসু ওইরি। কুমজা ২০১৪দগী অমেরিকান সিটিজন্সিপ অমা ওইদুনা সান্দ্রা ব্লাজিদকা য়ুম্বানমিন্নদুনা মচা অনী লৈরি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি খৃষ্টিয়ন বালেগী মমা জেন্নি (নী জেমস) হায়রিবী অসি য়াম্না মমিং লৈবী সার্কস পর্ফোর্মর অমনি। অদুগা মহাকপু পোকপা মপা দেবিদ বালে হায়রিবা অসিনা কম্মর্সিএল পাইলোট অমা ওইবতা নত্তনা ওন্ট্রপ্রেন্যুর অমা ওইনা য়াম্না মমিং লৈবা মীশক অমনি। মমা-মপা অনীমক্কী শিনফম অসি খজিক্তং ফাওবা শোয়বা য়াদবা, ৱাখল য়াম্না কুপ্না খল্লগা চেকশিনফম থোকপা চেকশিনহৌদবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা শিনফম অমদা লৈবা মরম্না মখোয়গী মচানুপা খৃষ্টিয়ন বালে অসিদসু মমা-মপাগী পুন্সিগী অচেৎপা মমি অদু তারি। অদুনা খৃষ্টিয়ন বালেদা অরুবা অমদি অরাইবা থবক হায়বা অমত্তা লৈতনা চপ মান্ননা ট্রিট তৌদুনা য়াম্না চেকশিন্না থবক খূদিংমক তৌই। অমরোমদা মমা-মপাগী শিনফম অদুনা মরম ওইরগা মফম অমত্তদা লেংদনা লৈরক্তে। য়াম্না তোয়না য়ুম হোংদুনা মমা-মপাগী মতুং ইল্লকখি। অদুনা মফম অমত্তদা লৈতানা লৈবা ফংখিদে। মহাক্কী মমানা ইংলিসনি অদুগা মপানা সাউথ অফ্রিকাদা পোকপনি। ৱালসতা পোক্লবসু ইংলেন্দগী সুরে অমদি দোরেষ্ট হায়বা মফম অদুদা অঙাং ওইরিঙৈদা লৈরম্মী অদুগী মতুংদগী পোর্টুগালদা লাকখি। খৃষ্টিয়ন বালে লাইরিক তম্বরোমদদি কা হেন্না মায় ওনশিল্লকপা ঙমখিদ্রে। মরমদি মহাক্কী মমা-মপাগী মতুং ইনবদা তোয়না স্কুল হোংবা অমদি লৈতানা মহৈ-মশিন তম্বগী খুদোংচাবা অদু ফংবা ঙমখিদে। মহাক্না ইরোয় লোয়না মহৈ তম্লকখিবদি বৌর্নেমাউথ স্কুল, পোর্টুগালদনি অদুসু মহাক মশাগী চহী ১৫ শুবদগী স্কুল থাদোকখ্রে। মখা তানা লাইরিক তমখিদ্রে।

মহাক্কী ইহান হানবা এক্টিংগী ওজাদি গেরি ওল্ডমেন হায়বা এক্টর অদুনি। মহাক্কী মখাদা এক্টিং তম্লকখি। পীক্লিঙৈদগী হৌনা এক্টিংগী লম অসিদা লাকখিবনা মহাক ষ্টেজ এক্টর অমা ওইনা মপুং ফানা কুম্লকখিবা অসি **দি নের্দ** হায়বা প্লে অদুদনি। অদুবু মসিগী মমাঙদা অঙাং অমগী রোলদা কুমজা ১৯৮২ দা ষ্টেজ প্লে অমদা কুম্লকখি। মসিগী মতুং কুমজা ১৯৮৪দা অমুক খরা মপুং ফাবা রোল অমদা রোক ষ্টার অমা শাদুনা কুম্লকখি। মসিগী মখা তারকপা কুমজা ১৯৯১ দদি বালেগী মমা-মপা অনী খায়নখি।

মহাক্কী মচাননুপী শারোনগা মমাগনা বৌর্নেমাউথতা লৈহৌরে অদুগা বালেনা মপাগা লোয়ননা কালিফোর্নিয়াগী লোস এঞ্জেলিসতা মশাগী চহী ১৭শুবা মতমদা হোংলকখ্রে। খৃষ্টিয়ন বালেবু মীয়াম্না হেক মশক খঙলকখিবা ফিল্মদি সেরিএল কিল্লর রোলদা পেট্রিক বেটমেন হায়বা অমা মেরি হেরোন্না দিরেক্সন পীবা মমিং লৈরবা ব্রেট ইষ্টোন ইল্লিসকী নোভেলদগী এদাপটেসন তৌবা **অমেরিকান সাইকো** হায়বা অসিদনি। তশেংবদি রোল অসি মঙোন্দা হান্না পীরম্লগা অমুক করিগুম্বা খরদগী মহাকপু দ্রোপ তৌরগা এক্টর লিওনার্দো দিকাপ্রিও হায়বা অদুদা কাষ্ট তৌখিবনি। অদুবু লিওনার্দোনা দি বিচ হায়বা ফিল্ম অদুগী সূটিংগী মতমগা ফাংজিন্নবদগী রোল অসি অমুক হান্না খৃষ্টিয়ন বালেদা রি-কাষ্ট তৌরকখিবনি। রোল অসি মঙোন্দদি য়াম্না শিংনবা অমা ওইনা থোকখি অদুনা নোভেল অদুদা দিস্ক্রাইব তৌরম্বা কেরেক্টর অদুম্মক তানবা হোৎনবদা মহাক য়াম্না কন্না ষ্টদি তৌবগা লোয়ননা ফিজিকেল্লি এক্সর্সাইজ থা খরা চঙনা ওলেম্পিয়ন ফিজিক অমগী ফীভম তানবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। তশেংনমকপু খৃষ্টিয়ন বালে অসি য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইবা ফিল্ম রোল খক্তদা হেন্না থৱায় য়াওশিল্লি। মহাক্না কুম্বা ফিল্ম খূদিংমক্কী কেরেক্টরগী হেবিট অমদি নেচর খূদিংমক তোঙাল্লি। মান্নবা রোল অমত্তা মহাক এটেম্পট তৌদে। রোল অমগীদমক মহাক মশাগী ৱেট তাহন্নবা কন্না হোৎনৈ। অমরোমদা অতোপ্পা রোল অমদনা ৱেট হেনগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থবক অমা ওইরি। নাকল অমদা মহাক্কী শক্তম অসি অদুক কা হেন্না গ্লেমর ওইবা শক নত্তে। অদুবু মহাক্না কেরেক্টর রোল অমা ওইনা কুম্লগা থোরকপদা মহাক্কী মশক অসি অসুক্কী মতিক ফজৈ হায়বা মীদিয়ানা ফোঙদোকখি। মীদিয়ানা খৃষ্টিয়ন বালে অসিবু খ্বাইদগী মতিক চাবা অমদি টেলেন্ট লৈবা লোয়ননা ভর্সেটাইল অমনি হায়না শিংথারি।



## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১২।০৭।২০২০ ইং, নোংমাইজিং; নুংথিল পুং ৩.৪৮ ফাওবা ইঙেলগী ২২ নি পাল্লি, মতুং ২৩ নি পানগনি।

**মেষ :** খোইরাং খোইশাওবা ফাথবা অমদি হেন্না হোয়া ফদবনা অফবা ওইগদবা নুমিৎনি। মীংচৎতি শোইদনা ফংজগনি অমদি য়েক্লবসু ঙমজগনি, থবক পাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হায়জবা তাবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** শেল ফংগনি, অনৌবা অশা লাক্কনি অমদি মরী-মতানা চানবীগনি। য়েৎনবনা মাঙজবা, মীৱা লৌবনা কিবা পোকপা অমদি চিন য়াংলগা লন ময়েং তাবা য়াই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিথুন :** লৌশিং থোকপা ৱাৎপা, মীতোপ্পা লাকচবা য়াবা অমদি ঈরাং পুবনা কাইনবা নংবা য়াবা লৈ। অদুবু অনিংবা থবক পাংগনি অমদি লেংদবা লন চাওখৎকনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চাগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** লাইবক ফবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি-অদুনা হোয়া ফবা অমদি মরম চাদনা খুৎচাওবা য়াদে। মরুপ-মপাং মহৌশাগুম লোয়নৌ অমদি মতেং ফংজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরীদি ফরি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবা, ঙাঙ-শকপা হৈবা অমদি অরং অরাক ফংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। ইমুং-মনুং ৱা তানবা কান্নগনি। অশাওবদৈ ঈ তানা শোকপা য়াই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**কন্যা :** নীংজবা ফংবা, লাইবক ফবা অমদি মীচং লৈবা নুমিৎনি। নথক থোংবনসু চানবীগনি অমদি লন হেনগৎকনি। অদুবু য়েৎনবা অমদি চিংনবসু হেনগৎকনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - থেংলপ্পা নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**তুলা :** থবক পাংবা, ৱাখল থোকপা অমদি অনৌবা অশা লাকপা নুমিৎনি। হকচাং নুংঙাইবা হেনগৎকনি, মীগী পূক্লিং খঙনা চৎপা ঙমগনি। মীকোক থোংবদি ৱাই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অফবা মরী লৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** মৈদগী চেকশিল্লু। নাইতোম ৱারেপ লৌগনু অমদি নখা থাবগা শাওনদনবা হোৎনৌ। হোয়া ফগনু ওইজবা মাঙগনি। থেংলপ্পা মীংচৎ ফংগনি, থবক পাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - তপথবনা য়াইফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**ধনু :** লৌশিং ইথোক থোক্তবা, অফা অপুন্নবা অমদি মহু চাওবনা ইমুংদা মীনু চংবা লৈগনি। অরোন অথুপ হায়দোক্কনু, হেন্না পামশিনবা উৎথোক্কনু, খাংবা কল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী**-মতম ঙাইয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মকর :** নীংবা থুংবা, মীচং হেনগৎপা, ৱাখল থোকপা, নচা ননাইগী লম্দা পূক্লিং পেঞ্জবা অমদি মীয়াম্না য়াবা নুমিৎনি। পাউ নুংঙাইবা তাগনি। ইচং থৌবা কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী চেৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কুম্বা :** পাইরক্কী লৌশিং শোনবা, হন্থবগা মুক্লবা য়াবা অমদি য়েক্লবনা নরলদা মীতাবা নুমিৎনি। ৱানোম থৌনোমদি কান্নবা অমদি মরুপ মপাংনা ফনা শোন্নবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হান্নগুম ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিন :** মায় পাকপা, নিংজবা থুংগনি অমদি মরুপ-মপাংগী মতেংনা ঈকায়খুম্নবা ফংগনি। খোইরাংবা অমদি অঙম্বগা মুক্লবদি তৌগনু। অয়েৎপদি থেংলপ্পা কোক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।


থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



Title: A beautiful girl
By: Sweety Thiyam
Class: IV Sec: B Roll No. 95
School: Regular English High School



Title: A Horse
By: Trishil Laishram
Class: I Sec: Daffodil Roll No. 3
School: SL. Arena of Learning




Title: Birds
By: Givson Sinam
Class: Sec: C Roll No. 27
School: K. M. Blooming Hr. Sec. School




Title: A Boy & A Girl
By: Trishini Laishram
Class: 1 Sec: Daffodil Roll No. 4
School: SL Arena of Learning



Title: A Scenery
By: Paikhomba Huidrom
Class: III Sec: Roll No. 01
School: Uchiwa High School (Aided)




Title: An Apple
By: M. Thoithoiba
Class: Pre-Nursery Sec: A Roll No. 01
School: Seldam Academy English School



Title: Mermaid Boy
By: S. Lamjingba Luwang
Class: K.G. Sec: White Roll No. 14
School: Lee Faith School




Title: A Tree
By: Seram Gupta
Class: K.G. Sec: D Roll No. 42
School: Kid's Foundation




Title: Siroi Lily
By: Ambrosia Namoijam
Class: K.G. Sec: D Roll No. 11
School: Kid's Foundation



Title: Spaceman
By: Th. Lanleiba
Class: II Sec: A Roll No. 32
School: Smart Universal Academy



Title: An Apple
By: Laishram Leimayon
Class: Pre-Nursery Sec: Roll No. 25
School: L. M. Educational Institute



Title: Voltorb
By: Star Th.
Class: III Sec: B Roll No.: 127
School: R. E. H. S.